**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 27-04-2024)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২৭-০৪-২০২৪, থাংজা)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল মাইবম দ্বিজমনিনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) শক খঙদবা খুলায় পায়বশিংনা চীংথক্তগী নোংমৈ কাপশিল্লকপদা বিষ্ণুপুর জিলাগী নারানসৈনা মনিং চীংদা লৈবা ১২৮ শুবা সি.আর.পি.এপ বি-কম্পানি বত্তালিয়নগী ইন্সপেক্তর অমা য়াওনা পরসনেল অনি লৈখিদ্রে , অনি অমনা শোক্লে।

২) বিষ্ণুপুর পুলিসনা ঙরাং নম্বোল এরিয়াদা থীবা হুম্বগী থবক চত্থবদা সাপোন কেস ২০ দা হাপ্লগা পুরম্বা হেরোইন পাউদর গ্রাম ২৩৮ ফাগৎলে।

**অমসুং**

৩) লৈবাক অসিগী রাজ্য ১২ অমসুং জম্মু কাস্মীর য়ুনিয়ন তেরিতোরিগী ঙরাং পাঙথোকখিবা অনিশুবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখলদা ময়াই ওইরপ্পদগীনা চাং ৱাংনা ভোট থাদনখি।

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**দেদ(এল)ঃ** শক খঙদবা খুলায় পায়বশিংনা চীংথক্তগী নোংমৈ কাপশিল্লকপদা বিষ্ণুপুর জিলাগী নারানসৈনা মনিং চীংদা লৈবা ১২৮ শুবা সি.আর.পি.এপ বি-কম্পানি বত্তালিয়নগী ইন্সপেক্তর অমা য়াওনা পরসনেল অনি লৈখিদ্রে, অনি অমনা শোক্লে।

খুৎলায় পায়বশিংনা হৌখিবা অহিংগী নোংয়াই মতুং পুং ১২ মকায় তারকপা অদুৱাইদা নোংমৈ কাপশিল্লকপা অদুদা সি.আর.পি.এফকী পরসনেল মরি শোকখি, মখোয় অহানবগী ওইনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাদলদা লায়েংনবা পুখৎলকখি। অদুমওইনবমক হোস্পিতাল ওথোরিতিনা ইন্সপেক্তর অদু শীনা পুরক্লে হায়না ফোংদোরকখি। অতোপ্পা পরসনেল অহুম অদু ইম্ফালগী রিমস হোস্পিতালদা মখা তানা লায়েংনবা পুখৎলকখি। মদুদা অতোপ্পা পরসনেল অমসু লৈখিদবনি। শোক্লবা পরসনেল অনি অদু হৌজিক মখা তানা লায়েংগী থবক চথুরি।

শগোলমাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা সিনাম কোমদা ঙরাং মাংখিবা খুল ঙাকপা অদু শীনা ফংলে। মহাক সিনাম কোম খুলদগীনি, মশাগী চহি ৩৩ শুরে, মচা অনি লৈরে হায়রি।

**মীখল (এল)ঃ** মনিপুরদা ঙরাং আউটর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিগী লেমহৌরিবা বিধান সভা কেন্দ্র ১৩ দা ভোট থাদনখ্রে। অনিশুবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখল অসিদা পুং ৫ ফাওবদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৭৬.০৬ ওইখি।

ষ্টেট অমদি সেন্ত্রেল সেক্যুরিতি ফোর্সকী অকনবা ঙাকশেল থৌরাংগা লোয়ননা ঙরাং ভোট থাদনখিবা জিলা ৮ গী মনুং চনবা কেন্দ্রশিং অদুদি-জিরিবাম জিলাগী জিরিবাম, তেংনৌপল জিলাগী তেংনৌপল, নোনে জিলাগী নুঙবা, কামজোং জিলাগী ফুংয়ার, উখ্রুল জিলাগী উখ্রুল অমসুং চিঙাই, তমেংলোং জিলাগী তমেংলোং অমসুং তামৈ, ফেরজোল জিলাগী তিপাইমুখ

অমসুং থানলোন অমদি সেনাপতি জিলাগী কারোং, মাও অমসুং তাদুবী বিধান সভা কেন্দ্রশিংনি।

তাঙ্কক অসিগী ওইনা পুন্না ভোটর লাখ ৪ লিশিং ৮৪,৯৪৯ না পোল্লিং ষ্টেসন ৮৪৮ দা ভোট থাদনখি। পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী মনুংদা রাজ্য অসিদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাংনা মরম ওইদুনা লাঞ্জেন্নরিবা ভোটরশিংগী অখন্নবা পোল্লিং ষ্টেসন ৯ হাংদোকখি। মসিগী মনুংদা পোল্লিং ষ্টেসন অমদি শুপতগী ভোটর অমখকা ভোট থাদনবা হাংদোকখি। মোরে হায়র সেকেন্দ্ররি স্কুলদা ।

**গভর্নর(এল)ঃ** রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা ঙরাং ৱার্কস মন্ত্রি গোবিন্দাস কোন্থৌজম, পব্লিক ৱার্কস দিপার্টমেন্তকী চিফ ইঞ্জিনিয়র অমদি পি.দব্লিউ.দিগী ওফিসিয়েলশিংগা উন্নদুনা রাজভবনদা শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে। রাজভবন মনুংদা নৌনা শাগদবা ব্লিদিং অমদি হোলনচিংবা নৌনা শেমজিনবগী মতাংদা উন্নবা অদুদা ৱাফম কয়া খন্নখি।

জৱাহরলাল নেহরু মনিপুর দান্স একাদমিগী দিরেক্তর পি.বিলাস সিংহনা ঙরাং রাজ্যপালগা উন্নদুনা একাদমি অদ্দা শেমগৎ শাগৎলিবা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা কুপা খন্নখ্রে। শ্রী বিলাসনা একাদমি অসিগী ফাউন্দেসন অমসুং দিপ্লোমা কোর্সশিংদা মীং চনবা য়াবগী চহি খরা কোমথোকপীনবা একাদমি অসিগী চিয়রপরসনসু ওইরিবা রাজ্যপালদা তকশিনখি। দিরেক্তরগী ৱাফম অদু রাজ্যপালনা ইন-প্রিন্সিপল ওইনা অয়াবা পীখি। মসিনা লম কয়াদা থৱাই য়াওনা হোৎনজরিবা মীওইশিংদা থোইদোকা কান্নবা পীরগনি হায়রি।

**এ.আর(এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী য়াইরিপোক্তা য়াম্বে রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীয়ামগীদমক লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা অসাম রাইফলসনা ঙরাংপাঙথোকখ্রে। মনিপুরদা হন্দক্তা নৌলৈ নুংশিৎনা মরম ওইদুনা ময়ুম মকৈ হুমদোকখ্রেবা মীওইশিংনা লৈরিবা রিলিফ কেম্প অদুদা তঙাই ফদনা চংবা পোৎলমশিং অসাম রাইফলসনা খুৎশিন্নখি। খুৎশিন্নখিবা পোৎলমশিংগী মনুংদা মোম্পাক অমসুং মোম্পাক ফিদকচিংবা য়াওরি। পুন্না মীওই ২৪০ দা কান্নবা ফংহনখি।

**পুলিস(এল)ঃ** বিষ্ণুপুর পুলিস ষ্টেসনগী নুপী পুলিস য়াওনা ও.সিনা লুচিংবা টিম অমনা নম্বোল অমসুং মসিগী অকোয়বদা থীবা হুন্বগী থবক চখবদা সাপোন কেস্প ২০ দা হাপ্লগা পুরম্বা হেরোইন পাউদর গ্রাম ২৩৮ ফাগৎলে। পোৎলম অদু ওতোরিক্সো অমা অমসুং এলতো কার অমদগী ফাগৎখিবনি। সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মনিপুর পুলিসনা হায়- থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মীওই ৫ ফাগৎলে। মখা তাবা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎনবগীদমক নম্বোল পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে হায়রি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিং অমসং তম্পাক্কী জিলাশিংগী চিংনবা মফমশিংদা থীবা হুন্বা অমসুং এরিয়া দোমিনেসগী থবক লেপ্তনা চখরি। সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মনিপুর পুলিসনা হায়- নেসনেল হায়ৱে -টুদা পোৎচৈ পুবা গাড়ি ৩৪৮ ইম্ফাল তমা অশোই অঙাম য়াওদনা পুরকখি। গাড়িশিং অশোই অঙাম য়াওদনা চৎথোক চৎশিন তৌবা য়াহন্নবগীদমক চীংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি কনভোই নিংথিনা থল্লি। তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা চেক পোইন্ত ১২৭ হাংদোক্লি অমসুং মীওই ১৩৯ চীংনবদগী মচিন হাংবগী থবক চখখি।

**--পাউগী মরকথৎনা অতেনবা ব্রেক অমা--**

## ---তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি---

**লোক সভা ঃ** লৈবাক অসিগী রাজ্য ১২ অমসুং জম্মু কাস্মীর য়ুনিয়ন তেরিতোরিগী ঙরাং পাঙথোকখিবা অনিশুবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখলদা ময়াই ওইরপ্পদগীনা চাং ৱাংনা ভোট থাদনখি।

ঙরাং মীখল পাঙথোকখিবা লোক সভা সিটশিং অদুদি কেরলাদা ২০, করনাতক্তা ১৪, রাজস্থানদা ১৩, উত্তর প্রদেশ অমসুং মহারস্ত্রাগী ৮-৮, মধ্য প্রদেশকী ৬, অসাম অমসুং বিহারগী ৫-৫ , নোংচুপ বেঙ্গল অমসুং ছাতিসগরগী ৩-৩ , মনিপুর ,ত্রিপুরা অমসুং জম্মু কস্মীরগী অমমমনি। অনিশুবা তাঙ্কক্তা মীখল পাঙথোক্কদবা মধ্য প্রদেশকী বেতুল সেদ্যুলত্রাইব পার্লিয়ামেন্তরি কন্সটিট্যুন্সিগী ওইনদি বহুজন সমাজ পার্টিগী মীরেপ লৈখিদবদগী অহুম শুবা তাঙ্কক্তা ওইনা মীখল পাঙথোক্লগনি। ঙরাং মীখল পাঙথোকখিবা পার্লিয়ামেন্তরি কন্সটিট্যুন্সিশিংগী ওইনা ভোট থাদবগী চাং পুন্না য়েংবদা চাদা ৬৪ ওইখি। অউত্তর মনিপুর লোক সভা কেন্দ্রগী মীরেপ মরি য়াওনা পুন্না মীরেপ ১২০২ না মীখল অসিদা লন্বা তৌনরি। ছাতিসগরদা শান্তি ওইনা ভোট থাদনখি। চাদা ৭৩ গী চাংদা ভোট থাদনখি। উত্তর প্রদেশকী সিট ৮ গী মীখলদা অমব্রোহা বিধান সভা কেন্দ্রদা খ্বাইদগী ৱাংনা চাদা ৬১.৮৯ অদুগা মথুরাদনা খ্বাইদগী নেমনা চাদা ৪৬.৯৬ কী চাংদা ভোট থাদনখি। করনাতক্তা চাদা ৬৪.৫৫, অসামদা চাদা ৭০.৬৮, কেরলা চাদা ৭০গী চাংদা ভোট থাদনখি হায়রি।

**সভাঃ** লোক সভাগী অহুম শুবা অমসুং মরি শুবা তাঙ্কক্কী মীখলগী ভোট খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে। বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা নোংচুপ বেঙ্গলগী মালকাদা মীয়ামগী মীতিনদা ৱা ঙাংখি। বিহারগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু মীখলগী মীতিন কয়াদা শরুক য়াখি। উত্তর প্রদেশকী বিরিরিদা রোদ সো অমসু পাঙথোকখি।

অমরোমদা, ত্রিনামুল কংগ্রেসকী প্রসিদেন্ত অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলগী মুক্য মন্ত্রি মমতা বেন্নরজিসু মীখলগী রেল্লি কয়াদা শরুক য়াদুনা দলগী মীরেপশিংগীদমক ভোট খোল্লি। নোংচুপ বেঙ্গলদা তোঙান তোঙানবা চাউখৎথৌরাংগী স্কিম কয়াগী শেনফম কেন্দ্র সরকারনা পীবিদ্রে হায়না মরাল শিরি। কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিসু করনাতক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিদা শরুক য়াখি। বি.জে.পি লুচিংবা অমিত সাহসু মধ্য প্রদেশকী অশোক নাগরদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিনদা ৱা ঙাংখি।

**মীরেপ ঃ** ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসকী হায়রিয়ানাদা মীরেপ ওইগদবশিংগী লিস্ত ঙরাং ফোংখ্রে। লোক সভা কেন্দ্র ১০ লৈবা রাজ্য অসিদা কংগ্রেসনা সিট ৯ মীখল থেংনগনি। অদুগা ইন্দিয়া ব্লোক্কা চৎমিন্নরিবা আম আদ্মী পার্টিগী মীরেপনা কুরুখেত্ত্রা লোক সভা কেন্দ্রদা মীখল থেংনগনি। অম্বালা লোক সভা কেন্দ্রদা বরুন চৌধুরি, হিসার লোক সভা কেন্দ্রদ জয়প্রকাস, করনাল লোক সভা কেন্দ্রদা দিবিয়াঙসু বুধিরাজা , রোতাক কেন্দ্রদা দিপেন্দর সিংহ হুদা, কংগ্রেসকী মীরেপ ওইনা মীখল থেংনগনি।

**কিলঃ** জম্মু কস্মীরগী বারামুলা জিলাদা সেক্যুরিতি ফোর্সকা ঙরাং খুৎ থোকবদা তেরোরিস্ত অনি শীরে। শীরবা তেরোরিস্ত অনি অদু হৌজিক ফাওবগী ওইনা মশক মমিং খঙবা ঙমদ্রি। মখোয়না পায়রম্বা খুৎশু খুৎলায়শিং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাগৎলে। জিলা অদুদা তেরোরিস্ত কাংবু অমা চৎথোক চৎশিন তৌরে হায়বদগী অককবা পাউ অমা ফংবদগী পুলিস, আর্মি অমসুং সি.আর.পি.এফকী অপুনবা কাংবুনা চংশিন্দুনা থীবা হুন্বগী থবক চংখি । মদুদা তেরোরিস্তশিংনা নোংমৈ কাপথোরকখিবনি। সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা খুৎ হনবদা তেরোরিস্ত অনি অদু মফম অদুমক্তদা শীখিবনি। মখা তানা থীবা হুন্বগী থবক চংখরি হায়রি ।

**ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিংগীদমক**
**হৌজিক ওক্রম উমাদিনি লৈরে--**

---**উমাদিনি**---

----**অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক**--

১) বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাং পুসিল ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা নারানসৈনা মনিং চীংদা দিপ্লোই তৌদুনা লৈরিবা ১২৮ শুবা সি.আর.পি.এপকী বি-কম্পানি বত্তালিয়নদা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা সি.আর.পি.এফ পরসনেল অনি লৈখিদ্রে, অনি অমনা লায়কৎনরি।

২) বিষ্ণুপুর পুলিসনা ঙরাং নম্বোল এরিয়াদা থীবা হুম্বগী থবক চথ্বদা সাপোন কেস ২০ দা হাপ্লগা পুরম্বা হেরোইন পাউদর গ্রাম ২৩৮ ফাগৎলে।

**অমসুং**

৩) লৈবাক অসিগী রাজ্য ১২ অমসুং জম্মু কাস্মীর য়ুনিয়ন তেরিতোরিগী ঙরাং পাঙথোকখিবা অনিশুবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখলদা ময়াই ওইরপ্পদগীনা চাং ৱাংনা ভোট থাদনখি।

---**পাউ লোইজরে**---

## --নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

**থাগৎচরি-দ্বিজমনি**

আউতর মনিপুরগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী মীখল ঙরাং পাঙথোকখিবা, মফম খরাদা চরাংনবা থোকখিবা, কংগ্রেসনা পোল্লিং ষ্টেসন খরদা রিপোল তৌনবা সি.ই.ওদা ৱাকৎখিবা অমসুং সিনাম কোমদা খুৎথোকখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচে অয়াম্বদা মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

**মনিপুর নিউজতা** - হিংশাগী থৌদোক কয়াগী মরক্তা আউতরগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী মীখল পাঙথোকখ্রে। মীওই অমা কিদনেপ তৌখ্রে, পোল্লিং ষ্টেসন ৫ দা ই.ভি.এম থুগাইখ্রে হায়বা বেন্নর হেদলাইন অসিগা লোয়ননা পোল্লিং ষ্টেসন ১৯ দা রিপোল তৌনবা কংগ্রেসনা সি.ই.ওদা ৱাকৎখ্রে হায়না সব হেদলাইন পীখি। পাড অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা পাউচে অয়াম্বদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

**পোকফমদা** -আউতর মনিপুরগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী মীখলদা ভোটর চাদা ৭৬.০৬ কী চাংদা ভোট থাদনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিগী মনুং চন্না ভোট থাদখিবশিং ক্রোস ভেরিফিকেসন তৌনবা ৱাফম সুপ্রিম কোর্টনা য়াখিদ্রে হায়না সব হেদলাইন তৌরি।

সিনাম খুলদা অকনবা মওংদা লান্দারকখ্রে , খুৎহনবদা কুকি অনি শীরে হায়না নহারোলগী থৌদাংদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি ঈচেল এক্সপ্রেসতসু সিনাম কোমগী মীতৈ খুলশিংদা এতেক চথরকখ্রে, অকনবা মওংদা খুৎথোকখ্রে হায়না হেদলাইন তৌদুনা অহানবা লমায়দা মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোংরি।

সনাৌবাক্তা - পোল্লিং ষ্টেসনদা নোংমৈ কাপ্পদা চেন্নবা মীওই অহুম জেল য়ৌখ্রে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

নরেন্দ্র মোদিবু চহি ৬ মীখলদা শরুক য়াহন্দনবা দিল্লি হায়কোর্টতা পিটিসন অমা ফাইল তৌরকখ্রে হায়না হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি অমসুং ইংলিস ইদিসনদা- আউতরগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুন্সি ১৩ দা চাদা ৭৭.১৮ কী চাংদা ভোট থাদনখ্রে। উখুল অমসুং কারোংগী মফম খরা নত্তনা অয়াম্বা মফমশিংদা শান্তি ওইনা ভোট থাদনখি হায়না হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকেলদা - এন.পি.এফকী মীরেপ তিমোথি জিমিকা মায়পাক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

বফর জোনশিং সেন্ট্রেল ফোর্সনা ঙাকশেন্নবা কুকি জো নুপীশিংনা হোম মিনিস্ত্রিদা দাবী তৌখিবগী পাউ মোর্নিং বেলগরী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

অনিশুবা তাঙ্কক্কী মীখলদসু কুকি জোশিংনা মীখলদা ভোট থাদখিদবগী পাউ ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

এম.পি.সি.সিনা পোল্লিং ষ্টেসন ১৭ তা রিপোল তৌনবা দাবী তৌবগী পাউ হিলস হোর্নিবিল এক্সপ্রেস অমসুং গানফিউ মেলদা মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা - অনিশুবা তাঙ্কক্কী মীখলদা তমেংলোংদা চাদা ৭১ গী চাংদা ভোট থাদখি হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

--**দ্বিজমনি**-

**------**